## ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ঃ–

# ত্রাউ মায় পাকখ্রে, এফ সি জালেনগা এস এস য়ুগা দ্রো চংখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ঃ

অর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ, খুমন লম্পাক্তা চখরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭ ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা টি আর এ য়ু (ত্রাউ)ক্কৈকেথেলনা এন আই এস এ (নিসা) থাংমৈবন্দবু গোল ১–০দা মায়থিবা পিখ্রে । অমদি অনিশুবা মেটচতা এফ সি জালেনগা এস এস য়ু শিংজমৈগা দ্রো চংখ্রে ।

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদেরেসন এন্দ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদেরেসনগী মীৎয়েং মখাদা খুমুকচম ইঙোচা সিংহ মেমোরিয়েল ত্রষ্টনা পুথোক্তুনা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না শিন্দুনা ঙসিদগী ১২না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা অর্টিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চখরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৭গী ঙসিগী অহানবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা লীগ মেটচতা নিসা থাংমৈবন্দ অমদি ত্রাউ ক্কৈকেথেল অনিনা লম্বা তৌনখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী ১১শুবা মিনটতা ত্রাউগী সৈমিনমাংনা গোল ১ স্কোর তৌবদগী মখাতাবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা মেটচ অদু ত্রাউনা গোল ১–০দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১২ চৎপদা নিসা থাংমৈবন্দগী জি মারিয়াদুন, মিনট ৪৫ চৎপদা টিম অসিগী এস মনিমোহোন, মিনট ২৫ চৎপদা ত্রাউগী এম দিপক, মিনট ৭২ অমদি ৯০ প্লস ২দা টিম অসিমক্কী কে ফালগুনি অমদি কেলভিন অলসিক্লেজপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা এস ঐচ সুরেসনা সেন্তর রেফরি, এস কেনেদিনা এ আর ১, এন অরুননা এ আর ২ অমদি কে ঐচ ইবুংঙোনা ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসিগী অনিশুবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১২শুবা লীগ মেটচতা এফ সি জলেন সদরহিলসকা এস এস য়ু শিংজমৈগা লম্বা তৌনবদা গোল ১–১দা দ্রো চংখ্রে।

মেটচ অদুদা এফ সি জালেনগী থাংতিনলেননা মেটচকী ২৪শুবা মিনটতা গোল ১ চন্দুনা অহানবা হাল্ফ ফাওবা এফ সি জলেননা গোল ১ মাংজিল থাখি।

অনিশুবা হাল্ফতা গোল হনে দাক্লবা এস এস য়ু শিংজমৈনা হেন্না কন্না শান্নখিগা লোয়ননা মেটচ অদুগী ইনজুরি টাইম ৯০ প্লস ৩ মিনটতা টিম অসিগী ঐচ রোমেসনা গোল ১ চনবা ঙম্বদগী মেটচ অদু গোল ১–১দা দ্রো চংখি।

মেটচ অদুদা এন ইবুঙোনা সেন্তর রেফরি, রিনখাওনা এ আর ১, সনাতোম্বনা এ আর ২ এ দিলিপনা ফোর্থ রেফরি ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখাতারকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩দগী হৌদুনা শান্নগদবা মেটচ অমদা এ আই এম খাবমগা দি এম রাউ অৱাং সেকমাইগা লম্বা তৌনরগনি।

## ইম্ফাল ইষ্ট সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ৩দগী অবা গ্রাউন্দ ক্ষেত্রিগাওদা চখরিবা এন জি বোবোই মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসিগী লীগ মেটচ অমদা য়ু দি ও হৈঙাংনা এস এস সি সেক্তাবু গোল ১–০দা থোইখ্রে।

টিম ৬না শরুক য়াদুনা চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা মেটচ ওইনা য়ু দি ও হৈঙাং অমদি এস এস সি সেক্তা অনিনা য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা মেটচ অদুদা য়ু দি ও হৈঙাংগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদু টিম অসিগী জর্সি নম্বর ২০ এম দি মুবিনা মেটচকী ১৩শুবা মিনটতা চনখি।

মেটচ অদুগী ৮ অমদি ৪৭শুবা মিনটতা য়ু দি ও হৈঙাংগী ৱাই শুরজ অমদি এস সুভাসপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অদু ৱাই দেবচান্দনা সেন্তর রেফরি, ৱাই হেমন্তনা এ আর ১, ৱাই ইঙোবীনা এ আর ২, এল থোইবী চনুনা ফোর্থ রেফরি, এল তরুনকুমারনা মেটচ কম্মিস্নর অমদি মোজেস সারিয়ানা রেফরি এসেসর ওইনা কন্দক তৌখি।

## ইম্ফাল ইষ্ট থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ৩দগী অবা গ্রাউন্দ ক্ষেত্রিগাওদা চখরিবা নহাকপম অপাবি মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭দা ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ৱাই বি সি লংদুমনা কে বি ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওবু গোল ১–০দা থোইখ্রে।

টিম ১৪না গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা চখরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসিগী মেটচ অদুদা কে বি ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওগা ৱাই বি সি লংদুমগা মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনবদা ৱাই বি সি লংদুমগী এস ঐচ অমুজাওনা মেটচ অদুগী ৪৩শুবা মিনটতা গোল ১ স্কোর তৌদুনা মহাক্কী টিমনা মায় পাকপা ঙমখিবনি।

মেটচ অসিগী ৩৭শুবা মিনটতা ৱাই বি সি লংদুমগী এ নরেস অমদি ৫৫শুবা মিনটতা কে বি ৱাই সি ক্ষেত্রিগাওগী এন জি রোজিৎপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা কে অমর্জিৎনা সেন্তর রেফরি, টি প্রেমজিৎনা এ আর ১, এন বিকাসনা এ আর ২ অমদি এ বোরেননা ফোর্থ রেফরি ওইখি।

## রোৱরশিংগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ঃ

চৎলিবা থা অসিগী ১৯গী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক রোৱিং কেন্নেলদা রোৱর খন্নবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা খল্লবা রোৱরশিংনা চহি অসিগী নভেম্বরগী ১৪দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৮শুবা জুনিয়র নেসনেল রোৱিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবনি।

জুনিয়র লেভেলগী কাংলুপ্তা লৈরিবা রোৱর খুদিংমক্না খুমন লম্পাক রোৱিং কেন্নেলদা এজ প্রুপ সার্টিফিকেটকা লোয়ননা লাক্লবা মণিপুর রোৱিং এসোসিয়েসন ইম্ফালগী ওন্নরি সেক্রেটরী এস শ্যামকেসোর সিংহনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## অহানবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিয়েল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল ঃ–

# টি দি সি মায় পাকখে,য়ু এস সিগা কে ৱাই সিগা দ্রো চংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রেক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা স্পাইনিং মিল গ্রাউন্দ লোইতাং খুনৌ গ্রাউন্দা চখরিবা এস ঐচ মনি শর্ম্মা মেমোরিয়েল থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী ৮শুবা লীগ মেটচতা য়ু এস সি ইরোম মৈত্রাওগা কে ৱাই সি খুরখুল নোর্থকা দ্রো চংখ্রে অমদি গ্রুপ এগী ৯শুবা মেটচতা টি দি সি ময়াংলাংজিং মায় পাকখ্রে।

টিম ১০না গ্রুপ ২ থোক্লা খায়দোক্তুনা মমাং থাগী ২১দা খুরখুল অৱাং লৈকায় গ্রাউন্দা হৌদোকখ্রবা মতুং হৌজিক লোয়তাং খুনৌ স্পাইনিং মিল গ্রাউন্দদা চখরিবা ঙসিগী অহানবা মেটচতা য়ু এস সি ইরোম মৈত্রাওগা কে ৱাই সি খুরখুল নোর্থকা লম্বা চানা শান্নখিবগা লোয়ননা য়ু এস সিগী জেনিস অমদি মাংলিনংলুম মেটচকী মিনট ১৭ অমদি ২০দা গোল ২ চন্দুনা কে ৱাই সিদগী গোল ২ মাংজিল থানা লৈখি।

অদুবু মেটচ অসিগী ৩৫ অমদি ৪৮শুবা মিনটশিংদা কে ৱাই সি লৌগৌহাউ হাংসিং অমসুং গাইরাং রোংমৈনা গোল অমমম চন্দুনা মেটচ অসি গোল ২–২দা দ্রো চংখিবনি।

মেটচ অসিদা কেঐচ রনজন, টি হেমন্তা, এল গোকুলানন্দ, এস জোসি অমদি এল ইবোহলনা মথংসিংনা সেন্তর রেফরি, এ আর ১, এ আর ২, ফোর্থ রেফরি অমদি মেটচ কম্মিস্নর ওইখি।

গ্রাউন্দ অসিমক্তুদা শান্নখিবা মেটচতা সন ক্লব মোংশঙ্গে অমদি টি দি সি ময়াংলাংজিং অনিনা লম্বা থেংনবদা টি দি সিনা গোল ২–০দা মায় পাকখি।

মেটচ অসিদা টি দি সি ময়াংলাংজিংগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু মেটচকী মিনট ৩ চৎপদা ও বেনজোসননা ১ অমদি মিনট ৩৫ চৎপদা শলমান তুবুরনা ১ চনখি।

মায়থিহৌরবা সন ক্লব মোংশঙ্গেগী অমত্তা ঙায়রবা গোল অদুনা মেটচকী ১৯শুবা মিনটতা এল জেটলিনা চনখি।

মেটচ অসিগী ১৭শুবা মিনটতা সন ক্লবকী পিঐচ অমর্জিৎ, ২৯শুবা মিনটতা টি দি সিগী এম কিষন, ৩৪শুবা মিনটতা সন ক্লবকী এন জোনি অমদি ৫০শুবা মিনটতা টিম অসিমক্কী কে ঐচ অজিৎপু রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা এল শান্তানা সেন্তর রেফরি, এস ওনিলনা এ আর ১, টি ঐচ কিরনজিৎনা এ আর ২, এল অজিৎনা ফোর্থ রেফরি অমদি এল ইবোহলনা মেটচ কম্মিস্নর ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চখরকপা ওইনা থা অসিগী ১৩দা শান্নগদবা অহানবা মেটচতা এস ৱাই পি এ অৱাং সেকমাইগা ৱাই য়ু সি ইরোম মৈত্রাউগা অমদি অনিশুবা মেটচতা কে এস ৱাই সি হিয়াংথাংগা কে ৱাই সি খুরখুলগা লম্বা তৌনরগনি।

## দিবোং জিপি (এ)না দিবোং জিপি (বি) মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবামগী কলিমাই মন্ধোবতা টিম ৬না শরুক য়াদুনা শান্নবা হৌরকখিবা অনীশুবা টি ঐচ হেরা সিংহ মেন্স ভেটেরান কাং টুর্নামেন্ট ২০১৭ ঙসি শান্নখিবা মেটচতা দিবোং জিপি (এ)না দিবোং জিপি (বি)বু পাঞ্জল ৯–৮দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি দিবোং জিপি (এ) অমদি দিবোং (বি) শান্নখি। দিবোং জিপি (এ) না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা দিবোং জি পি (বি)না কাং কাপ্পা হৌখি। অপীবা মতমদা টিম অনীনা য়াম্না কম্পিটিটিব ওইবা মওংদা কাং কাপ্পখি। অদুবু অরোইবা মতমদা দিবোং জিপি (এ)না দিবোং জিপি (বি)বু পাঞ্জল ৯–৮দা মায়থিবা পীখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা টি ঐচ বসন্তা সিংহনা জজ ওইখি অদুগা মোহেন সিংহনা স্কোরর ওইখি। হয়েংগী মেটচতা এলইসি বাবুপারা অমদি কছার কাং এসোসিয়েসনগা শান্নরগনি।

## ১৫শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ ফোর পি তিলোতামা মেমোরিয়েল ত্রোফি হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১১ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম গর্ভনমেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ৪না শরুক য়াদুনা ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা ১৫শুবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ (পি তিলোতামা মেমোরিয়েল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা ওপন্নিং মেটচতা এলঐচৱাইসিনা ওরিয়েন্টেল ক্লব পু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসিগী ওপন্নিং মেটচ অসিদা এলঐচৱাইসি অমদি ওরিয়েন্টেল ক্লব শান্নখি। এলঐচৱাইসি না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি অদুগা ওরিয়েন্টেল ক্লবনা বোল কাওবা হৌখি। টিম অনীমক য়াম্না কন্না শান্নখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী শান্নরোই পাওগৌলেননা ২৮শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী একাউন্ট হাংদোকখি। মতুংদা এলঐচৱাইসি গী শান্নরোই পরা হমরনা ৩২শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ মমাংদা গোল ১–১ দা লৈনখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা এলঐচৱাইসিগী শান্নরোই নেহেমোই হমরনা ৫৩শুবা মিনট অমদি ৬৭শুবা মিনটতা গোল ২ অমগা চন্দুনা লৈখি। মসিগী মতুংদা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী শান্নরোই জিট না ৭৫শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। অদুবু ঙসি শান্নখিবা ওপন্নিং মেটচতা এলঐচৱাইসিনা ওরিয়েন্টেল ক্লবপু গোল ৩–২দা মায়থিবা পীখি। রেফরিনা ওরিয়েন্টেল ক্লবকী শান্নরোই জিট বু ৭৫শুবা মিনট অমদি এলঐচৱাইসিগী শান্নরোই রেমোনদবু ৭৫শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি। ঙসিগী মেটচ অসি ভি জোয়েলনা সেন্তর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ওইনা সাইশোং অমদি এল অনিল সিংহ ওইখি অদুগা ফোর্থ রেফরি ওইনা লেনটিনশেম সিংসননা ওইখি।

হয়েংগী মেটচতা কুকি স্পোর্টিং ক্লব অমদি জোমি ক্লবগা শান্নরগনি।

ঙসিগী ওপন্নিং মেটচ অসিদা এম ব্রজকান্তা সিংহ, প্রসিদেন্ট, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এজেএসএ), জিরিবামনা প্রসিদেন্ট অমদি পি মানি সিংহ দোন্নরনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইদুনা হৌদোকখি। টুর্নামেন্ট অসি চিংদোং লৈকায়, জিরিবামদা লৈবা পি মানি সিংহনা মহাক্কী মমাগী মমিংদা কৎচবা টুর্নামেন্টনি।




QUOTE YOUR PAN

অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেম্বা হায়বসি ওইথোক্কদৌরিবদি অদোমগী এদভান্স টেক্সননি...

অদোমগী ২শুবা এদভান্স টেক্সকী ইন্সটোলমেন্ট থিদোকপীয়ু
সেপ্টেম্বর ১৫, ২০১৭ ফাওবদা

**এদভান্স টেক্স তঙাইফদনা থিগদবা টেক্স পেয়রশিং**

- তলব চাবা ইমপ্লোইয়িশিং য়াওনা শেনবা চহি অসিগী মনুংদা টেক্স থিদোকপদা লুঃ ১০,০০০ নত্রগা মদুদগী হেন্না থিখ্রবা মীওইশিং।
- লল্লোন–ঈতিক / প্রোফেসনদগী ইনকম লাক্ত্রবা লৈবাক সিদা লৈবা সেনিয়র সিটিজেনশিংদি টেক্স থিবগী মথৌ তাদে।
- সেক্সন ৪৪ এদি দা টেক্স থিগদবা লল্লোন–ঈতিক্কী থবক তৌবা মীওইশিংগীদি এদভান্স টেক্সকী চপ চাবা শেনফম অদু শেনবা চহি অদুগী মার্চ ১৫ ফাওবগী মনুংদা থিদোক্কদবনি।

**শেল থিদোকপগী মওং**

- কোর্পোরেট বোদিংশিং অমসুং ইনকম–টেক্স এক্টকী সেক্সন ৪৪ এবি গী মখাদা একাউন্টশিং ওদিট তৌবগী তঙাইফদবা লৈরিবা টেক্স থিরিবা মীওইশিংগীদি তঙাইফদনা ই–পেমেন্ট তৌবা তাই।
- অশেংবা ক্রেদিট শোইদনা ফঙবা মরম্না অতোপ্পা টেক্স থিরিবা মীওইশিংগীসু ই–পেমেন্টনা হেন্না খুদোংচাই।

**এদভান্স টেক্স থিনবগী সেদ্যুল**

| থিগদবা তাং | শেনফম |
|---|---|
| এ) ২০১৭গী সেপ্টেম্বর থাগী তাং ১৫ ফাওবা | থিফম থোকপা এদভান্স টেক্সকী চাদা ৪৫ |
| বি) ২০১৭গী দিসেম্বর থাগী তাং ১৫ ফাওবা | থিফম থোকপা এদভান্স টেক্সকী চাদা ৭৫ |
| সি) ২০১৮গী মার্চ থাগী তাং ১৫ ফাওবা | থিফম থোকপা এদভান্স টেক্সকী চাদা ১০০ |

চঙলগা য়েংবীয়ুঃ www.incometaxindia.gov.in দা খঙনবগীদমক
- ওথোরাইজ তৌরবা বেঙ্ক ব্রাঞ্চশিং খঙনবা
- ই–পেমেন্ট
- চলান ফোর্মশিং
- চলানগী ষ্টেটস হংনবগীদমক

এদভান্স টেক্স থিহৌদবা / শেনফম শুদবা নত্রগা মতম চানা থিহৌদবা তারবদি শেন্দোই লৌগনি।

davp 15401/13/0069/1718

চঙলগা য়েংবীয়ুঃ www.incometaxindia.gov.in www.cleanmoney.gov.in

@IncomeTaxIndia

দাউন্দলোদ তৌবীয়ুঃ "আইকর সেটু" টেক্সপেয়র্স সার্ভিসেস মোদ্যুল এন্দ মোবাইল এপ্লিকেসন

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস


Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*